# লো এন্দ ওর্দরগা মরী লৈননা গাড়ীশিংদা হায় সেক্যুরিটি রেজিষ্ট্রেসন প্লেট চৎনবা হৌখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ঃ* তোঙান তোঙানবা সেক্যুরিটি ফিচরশিং য়াওবা হায় সেক্যুরিটি রেজিষ্ট্রেসন প্লেট শীজিন্নবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরসু ঙসিদগী য়াওরে। চহি অনিগী মনুংদা মণিপুরদা লৈরিবা গাড়ীশিংগী রেজিষ্ট্রেসন প্লেটশিং হায় সেক্যুরিটি রেজিষ্ট্রেসন প্লেটনা মহুৎ শিলহনগদৌরি।

মণিপুরগী চিফ সেক্রেটরি দিএস পুনিয়ানা চিফ গেষ্ট প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ট্রান্সপোর্ট অমদি ৰাক্স রাম মুইভানা প্রসিদেন্ট ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মণিপুরদসু রেজিষ্ট্রেসন প্লেট অসি শীজিন্নবা হৌদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা চিফ সেক্রেটরিনা হায়, হায় সেক্যুরিটি রেজিষ্ট্রেসন প্লেট অসি শীজিন্নরকপনা নম্বর প্লেট শেমদোক-শেমজিন তৌবা, গাড়ী হুরানবদা নম্বর প্লেট ওন্থোক-ওনশিন তৌবা থিংবা ঙমগনি।

নম্বর প্লেট মখল অসি শীজিন্নবনা গাড়ী মাঙখিবা মতমদা মদুগী খোঙ্গুল লিবদা মতেং ওইরগনি। মসিগী মথক্তা ৰিন্দ স্ক্রিনদা নপকদৌরিবা ষ্টিকর অসি মহুৎ ওন্থোকপদা অৰাবা ওইগনি। মণিপুরদা গুৱাহাটি অমদি মপানদগী গাড়ী কয়া য়োনশিল্লকপগী ৰাফম লৈবনা মদুগুম্বা ক্রাইম থিদোকপদা মতেং ওইরগনি। মসিদা নত্তনা হুরানখিবা গাড়ীশিংগী খোঙ্গুল লিবদসু চাওনা মতেং ওইরগনি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্টকী ৰারোল পীরদুনা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ট্রান্সপোট রাম মুইভানা হায়, ঙসিদগী হৌদুনা নৌনা রেজিষ্টার তৌবা অনৌবা গাড়ী খুদিংমক রেজিষ্ট্রেসন প্লেট মখল অসি শীজিন্নরগনি। মসিনা গাড়ী হুরানবগী থৌদোকশিং থিংবা ঙমগনি। মসিদা নত্তনা এন্টি সোসিয়েল ওইবা মীওই কাংবুশিংনা গাড়ীশিং অসি আইনগী ৰাংমদা লৈবা থবক থৌরমশিং চথরকপসু থিংবা ঙমগনি।

প্রোজেক্ট অসিগী মতাংদা ডাইরেক্টর ট্রান্সপোর্ট বিকে শর্ম্মনা হায়, হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৭ তা সুপ্রিম কোর্টনা পীবা ডাইরেক্তিভ অমগী মতুংইন্না লৈবাক অসিদা লৈরিবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুম্নমক অসিদা চৎলিবা এপ্রিল থা অসিগী মনুংদা হায় সেক্যুরিটি রেজিষ্ট্রেসন প্লেট অসি শীজিন্নবা হৌগদবনি। মসিগী প্রোজেক্ট অসি হৌদবা ষ্টেটশিং অদুগী মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিং পেনাল্টিগা লোয়ননা বুক তৌগনি হায়বা য়াওরি।

সিম্নিট উটচ প্রাইভেট লিমিটেদকা খুৎশম্নরগা পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট অসিদা চাকা অনি পানবা গাড়ীগী ওইনা নম্বর প্লেট শাবদা লুপা ৫৫০, চাকা অহুম পানবা গাড়ীগী লুপা ৬৬৫ অমদি চাকা মরি পানবা গাড়ীগী রেজিষ্ট্রেসন প্লেট পানবদা লুপা ১১৯৫ চংগনি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অসিদা ভেহিকল পোপুলেসন অসি খ্বায়দগী য়াম্না ৱাংবনা দিটিও ইম্ফাল ৱেষ্টনা হান্না পায়খৎপনি। থৌরাং অসিগীদমক সেন্ত্রেলাইজ এম্বোসিং ষ্টেসন অদু ডাইরেক্টোরেট ওফিসতা থল্লগা ফিটিং সেন্টরনা দিটিও ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওফিস ওইরিবা এমএসআরটিসি কমপ্লেক্সতা তৌগনি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী মতুংদা অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদসু মসিগী ফিটিং সেন্টরশিং হাঙদোক্লগা থবক হৌরগনি।

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা গাড়ী খুদিংমক চহি অনিগী মনুংদা হায়রিবা নম্বর প্লেট অসিদা ওন্থোক্লবা হোৎনরি। শীজিন্নরিবা গাড়ীশিং অসি নম্বর প্লেট অসি ওন্থোকপগী থবক অসি গাড়ীগী  টেক্স থিবা মতমদা মখোয়গী টেক্স স্লিপ পীবগা লোয়ননা গাড়ীগী নম্বর অদু শেমগনি। নম্বর শেম্বা লোইরবা তুংদা এমএসআরটিসি কমপ্লেক্সতা চৎলগা নম্বর প্লেট ফিট তৌরবা তুংদা মখোয়গী আরসিবুক অদু শীজিন্নগদবনি।

কনাগুম্বা নম্বর প্লেট অদু কায়বা তারবদি মদু মহুৎ শীজিন্নবা অথুবদা কমপ্লেন্ট তৌগনি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা চিফ সেক্রেটরি অমদি প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ট্রান্সপোর্টকী গাড়ীগী নম্বর প্লেটশিং হায় সেক্যুরিটি প্লেটনা মহুৎ শিনখি। থৌরম অদুদা কম্মিস্নার লেবর ৱাই জুগিন্দ্রো, সিম্নিট উটচ ইন্দিয়া প্রাইভেট লিমিটেদকী জেনরেল মেনেজর বিজনেস অটুল শর্ম্মসু শরুক য়াখি।